অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.৭৯°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৩৫°C

মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ৪.৯১
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৩

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 81.396275 |
| US Dollar | 79.866691 |
| British Pound | 95.588737 |
| Australian Dollar | 55.453907 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.819808 |
| Japanese Yen | 0.584097 |
| Malaysian Ringgit | 17.938004 |
| Singapore Dollar | 57.509699 |
| South Korean Won | 0.060944 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.297784 |
| Thai Baht | 2.176765 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940
**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
Booking Upto17/05/22
Valid from05/05/2022
Stock 306 nos.
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/
Call Time 8am to 12 noon
Sunday close
**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTo16/06/22**
VALID FROM10/06/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141OFFICE TIMING 9AM TO 3pm WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
**HARAN VALLEY INDANE GRAMIN VITRAK, KWAKTA BOOKING UP TO:14/07/2022**
Valid from: 06/07/2022
Please contact mobile no. 76408 37761 and 93663 74729
Time: 8:00am to 10:30am
**CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTO 11/07/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**HIYANGTHANG INDANE. BOOKING 07-07-22.**
Valid..01-07-22.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m. Only home delivery Service. Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.Whatsapp.no. 6009260971.
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-05-07-2022,**
VALID FROM 17-06-2022,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 09/06/22
Valid from 07/06/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date .**
New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxxxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886. TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI- 9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

# লাঙ্গোলগী সেমোইনু লাইরেম্বীগী লাইকোনদা পি দি এনা ক্বার্টরশিং শাগৎলক্লিবা অসি হন্দোক্তুবদি মৈহৌ লাংপোক থোরকপা য়াই



ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) : লাঙ্গোলগী সেমোইনু লাইরেম্বীগী মশাইকোনদা পি দি এনা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ পার্ক এগী শরুক অমা ওইনা জি প্লস ৭কী ক্বার্টর শাগৎলকপগী মফমদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ক্বার্টরশিং শাগৎলকপগী থবক খুদক্তগী লেপহনখ্রে।

মফম অদুদা পি দি এগী ওফিসলশিংসু লৈরম্বগা লোয়ননা ক্বার্টরশিং শাগৎপগী অয়াবা পীবা চে চাং পুথোরকউ হায়রুবদা মকোক থোংবনা হায়রকপনি হায়বদগী চৎনখি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা থোরকপা মুক্লবশিং পুলিস লাক্তুনা শন্তাইনখিবগা লোয়ননা চে চাং পুথোকপগা লোয়ননা ৱারী শানবদা য়াশিন্নবা পুরকখি।

সেমোইনু লাইরেম্বীগী মশাইকোলদা পি দি এগী ক্বার্টরশিং শাগৎলকপগা মরী লৈননা য়েংশিনবা চৎখিবা টিমদা য়াওবা উকলগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ কে ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা চীংদা লৈরিবা মৈতৈগী লাইফমশিং অসি লেঙবা য়াদবা ঙাক্তনি। মসিদা ফুরুপ অমনা মখোয়গী লমনি হায়দুনা কনশিল্লকপদগী ইপা ইপুগী লাইফম কয়া মাঙশিল্লক্লে। হৌজিকসু গেম ভিলেজদা পি দি এনা শাগৎলক্লিবা ক্বার্টরশিং অসিসু সেমোইনু ইমাগী লাইফমনি। লাঙ্গোলদা মৈতৈগী লাইফম ১০৮ লৈ হায়নরিবনি। পি দি এনা লৌশিল্লিবা মফম অসি সেমোইনু লাইরেম্বীনা শাথোকফম ওইবা মফমনি হায়বগা লোয়ননা মফম অসিবু পি দি এনা লৌশিল্লকপগী থৌওং য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

হান্না চিলদ্রেন পার্ক ওইরম্বদগী হৌজিক্লা অমুক ত্রাইবেল কোলোনি শাগনি হায়রকপনি। মফম অসিদা লৈরক্লিবা লাইবু থাংদোক্লগা ত্রাইবেল কোলোনি শাবসি চুমদে। ত্রাইবেল কোলোনি ওইনা হন্দোক্লগা মফম অমদা শাবা য়াই হায়খি।

লোয়ননা মৈতৈগী লাইফমশিং কনমিন্নসি, সেলোই লাইরেম্বীগী লাইফমসি কনবা ঙমদ্রগদি মণিপুরদা লৈরিবা অতৈ লাইফমশিংসু কনবা ঙম্লোই হায়খি।

মরম অসিনা লাইফম কন্নবগীদমক হায়জরিবা/লাউজরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু তাবীয়ু। লাঙ্গোলদা লৈরিবা লাইফম খুদিংমক মাঙখিবা তারগদি ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈ হায়বসি লৈররোই। মরম অদুনা পি দি এনা পায়খৎলিবা ক্বার্টর শাবগী থবকশিং অসি হন্দোক্তুবদি অকনবা মৈহৌ লাংপোক, মীশি মীনা থোরকপা য়াই হায়খি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লাঙ্গোল ইনভাইরনমেন্ট প্রিজর্ভেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল হৈস্নাম মঙ্গিজাওনসু ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লাঙ্গোল গেম ভিলেজগী পার্ক-এদা জি প্লস ৭কী ক্বার্টর শানবগীদমক প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিনা লৌখৎলকপা থবকশিংগী মায়োক্তা ওবজেক্সন তৌনবগীদমক দোক্যুমেন্টশিং পীবা চৎলুবশিং অদুগী মতাংদা খূৎয়েক লৌহৌবা অদুনা থা অসিগী ১৪দা লোয়শঙ অসিনা পাউচেশিংদা পিটিসন ফাইল তৌবা কাঙবুগা পি দি এগা য়ান্নরে হায়না নোটিস থোক্তুনা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা নম্ফুদা সিক্যুরিটি শঙহন্দুনা শেমগৎ শাগৎপগী চঞ্ঝরক্লিবা থবক খুদক্তা লেপকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা লেপ্পুবদি কম্মিটি অসিনা চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

# ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা সবজেক্ট অনী ফেল ওইরক্লবা মহৈরোয়শিংবু কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসনদা শরুক য়াহনবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) : হন্দক রিজল্ট লাউথোকখিবা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন, ২০২২দা সবজেক্ট অনী ফেল ওইরক্লবা মহৈরোয়শিংবু কম্পার্টমেন্টেল কেন্দিদেট ওইনা লৌখৎপীরগা মসিগী এগজামিনেসন থাবা য়াহনবীয়ু হায়না মহৈরোয়শিংগী গর্জিয়ানশিংনা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা গার্জিয়নশিংগী মায়কৈদগী হন্দক্কী ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন অদুদা কম্পার্টমেন্টেল লাকপা মহৈরোয়শিংগী এগজামিনেসন থাবা য়ারগনি হায়রি অদুবু মহৈরোয়শিংনা থেংনখিবা ক্লাস তৌদবগী, ওজাশিং ইলেক্সন দ্যুটিদা শীজিন্নবগী অমসুং স্কুলদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থমজিনবগী য়াওনা ওনলাইন ক্লাস তৌখিবশিং অদুগী খুদোংচাদবশিং অদু য়েংবীরগা হন্দক চহীগী ওইনদি সবজেক্ট অনী ফাওবা ফেল ওইরক্লবা মহৈরোয়শিংবু কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াবা য়ানবা লৌখৎপীয়ু হায়খি।

মহৈরোয়শিংদা রিলাক্সেসন ফংখিবা অদুসু এগজামিনেসন ময়াদা খক্তনি হায়রদুনা খুদোংচাদবশিং অসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা খঙবীরগা সবজেক্ট অনী শুনা ফেল ওইরক্লবা মহৈরোয়শিংবু পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াবা য়াহনবীয়ু হায়খি।

## গাইদোন রোংমৈ আই এম সীগী ...

*লামায় ১গী মখা...* ওইরম্বা জি গাইদোন রোংমৈনি হায়বসি মহাক্কী সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, চেক্কোন বজার ব্রাঞ্চতা লৈবা একাউন্টকী কে ৱাই সী দোক্যুমেন্টশিংদগীসু খঙবা ঙম্লে হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ৫৯গী মখাদা লোকল বোদিশিংগী কাউন্সিল্লরশিংনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা স্যের লৌবা য়াওনা মরী লৈনবা লোকল বোদিগী কন্ত্রেক্ট ৱার্কশিং লৌবা য়াদে হায়বগী মায়োক্তা থবক চথরম্বগীদমক মহাকপু আই এম সীগী কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইরম্বদগী খুদক্তগী দিসক্কালিফাই তৌবনি হায়রি।

## নুপীমচা ১গী পুন্সি তেমশিংনরম্বগী ...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টেসনদা ফাইল তৌখি অদুগা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসিগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা হায়জখি হায়রি। অদুম ওইনমক পুলিসকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তবদগী চেন্নরিবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবা ফাদনা লৈরকখিবনি হায়নসু কম্মিসনদা ৱাকৎখি। কম্মিসননা ৱাকৎ অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা ঙসি চত্থিবা প্রোসিদিংদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎনবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, ককচীংগী এস পি অমসুং ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা দিরেক্সন পীখিবনি হায়রি।

## মীওই ২৭৬ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মেদিকেল ওফিসর (এম ও) অমদি থোঙজু চিগোংলৈ মখোঙ দিভেলপমেন্ট ক্লব (টি সী এম দি সী) গা পুন্না খুৎশম্নরগা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ দগীনা নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্নবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

টি সী এম দি সীগী অকোয়বদা লৈবা নুপা নুপী অহল অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ২৭৬ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। ঙসি মফম অদুদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা লাক্লিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা কোভিদ ভেক্সিন ফর্ষ্ট রাউন্দ, সেকেন্দ রাউন্দ অমদি ঠর্থ রাউন্দনচিংবা কাপ্পা য়াওনখি।

ঙসিগী ভেক্সিনেসলগী থৌরম অদুদা মফম অদুগী অসাশিংনসু চাওনা মতেং পাঙখি।

## ভি দি এফশিংগী তোলোপ হেনগৎপগী ...

*লামায় ১গী মখা...* মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্লা ভি দি এফশিংগী ৱাকৎ অমদি অৱাবা খঙবীদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নবীখিবা অদুগীদমক্তদি য়াম্লা থাগৎনীংঙাই ওই অদুবু ভি দি এফশিংগী থাগী ওনরেরিয়ম হেনগৎপগী মতাংদা তান্দুনা লাকখিবা দিমান্দগা মরী লৈনবা ৱাফমদি য়াওরকখিদ্রে। মরম অসিনা ভি দি এফশিংগী থাগী ওনরেরিয়ম হেনগৎনবগী মতাংদা লৈঙাক্লা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা পুথোক্তুনা খন্নবীয়ু। করিগুম্বা মতমগা চান্নবা মওংদা ওনরেরিয়ম হেনগৎনবা খন্নবীদ্রবা অমদি পাউখুম অমত্তা পীরক্তুবদি ভি দি এফ গর্জিয়নশিংগা লোয়ননা সেন্ত্রেল কম্মিটিনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## পোজিটিভ কেস ৭৯ থেংনবদগী এক্টিভ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিনগী পূন্না কাপথোকখ্রবা দোজ মশীং ৩০,৫০,৯১৯ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজগী মশীংনা ১৬,০৬,৮২৪ নি অদুগা অনীশুবা দোজগী মশীংনা ১২,৭৮,০৩২নি। অদুগা প্রিকোস্নরি দোজগী মশীংনা ১,৬৬,০৬৩নি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কাপথোকখিবা অহানবা দোজগী চাংনা চাদা ৬২.১২ ওইবগা লোয়ননা অনীশুবা দোজগী চাংনা চাদা ৫৩.৭১ য়ৌরে হায়রি।

এদ্যুকেসন (এস) কী কম্মিস্নরগী ওর্দর অসিদা থা অসিগী ২৪ ফাওবা লৈঙাক্কী অমসুং এদেদ/প্রাইভেট স্কুলশিং য়াওনা সী বি এস ঈদা এফিলিএট তৌবা স্কুলশিং থা অসিগী ২৪ ফাওবা থিংজিনগনি হায়দুনা থোকখিবা ওর্দর অদুমক মখা তানা লৈরিবগা লোয়ননা হৌজিক ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অমসুং চহী ১২ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অঙাংশিংবু হীদাক কাপথোকপগী চাং কূপ্পা য়েংশিনবগা লোয়ননা চহী ১২গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবনা হায়রিবা চহী অসিগী মনুংদা লৈবা ক্লাস সভেন ফাওবদা তম্লবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিং মথং থাগী ৭ ফাওবা থিংজিনবগা লোয়ননা মখোয়গী ফিজিকেল ক্লাসশিং চত্থিরোই হায়রি।

অদুগা লৈঙাক্লা মতম মতমগী মতুংইন্না পীবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি/গাইদলাইন/কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং চেকশিন্না ঙাক্লগা ক্লাস আইটতগী হৌরদুনা মসিগী মথক্তা লৈবা ক্লাসশিংগী স্কুলশিংদি থা অসিগী ২৫দগী অমুক হন্না হাংদোক্লগনি হায়নসু ওর্দর অসিনা খঙহল্লক্লি।

## হেল্থ দিরেক্টরনা ৱর্ল্ড হেপাটাইটিস দেগা মরী...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চৎলিবা চহী অসিগী ওইনদি চয়োল ১ চূপ্পা চত্থগদবা কেম্পেয়নগা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাঙথোকপগা লোয়ননা হেপাটাইটিস-সীগী লায়না অসি লেম্না স্ক্রিনিং তৌবগা লোয়ননা লায়েংবসু লেম্না লায়েংগনি হায়খি।

লায়না অসিবু লায়েংবগী থবক কুমজা ২০১৯দগী হৌখ্রে হায়রদুনা হেপাটাইটিস-বিগী মতাংদসু লায়েং কাঙলোনশিং চত্থবা হৌখ্রে হায়খি। লোয়ননা হেপাটাইটিস-সী হায়রিবা লায়না অসিদি থা ৩দগীনা ৬ ফাওবগী মনুংদা চাফম থোকপা হীদাক লাংথকশিং চারগা লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্মী হায়খি।

হেপাটাইটিস-বি অসিনা ভেক্সিন কাপথোক্লগা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগা লোয়ননা ভাইরেল হেপাটাইটিসকা মরী লৈনবশিংগী টেষ্টিং অমসুং ত্রিটমেন্ট পাঙথোক্লিংবগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরি। মতম চানা টেষ্ট তৌথোক্তবনা অনাবা অসিগা শাগোন্নদুনা লৈরবা মীওইশিংনা মশাদা লায়না অসি নারে হায়বা ফাওবা খঙদবা য়াওরি হায়খি।

মরম অদুনা মীয়াম্না মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। ইশাদা শাগোন্নরক্লবা লায়নাশিং মতম চানা খঙদোক্লগা লায়েংবা য়াবা ঙাক্তনি হায়খি।

কেম্পেয়ন অসিগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্বীশিংদা হেপাটাইটিস-বিগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবা পাউজেল পুবা বাইক রেল্লি অমসু চৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

# চীফ মিনিষ্টরনা এম এল এ ১০দা পীখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ) না এম এল এ ডা. উসেম দেবেনবু মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চেয়রমেন ওইনা খনবগী পীখিবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অদু ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল ওফ পোল্যুসন) এক্ট, ১৯৭৪গী সেক্সন ৫ (৩) অমসুং সেক্সন ৬ (২) অমসুং জুলাই ৮, ২০২১দা ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসন/রুলগী রুল ২ (৩) (বি) গী মায়োক্তনি হায়বসিনি। মরমদি নুমিৎ অসিদা লোয়শঙ অসিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন/রুলদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চেয়রমেনগী টর্ম অসি চহী ৩ ওইগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

সিভিল রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা লাইশ্রম রাধাকিশোর মশামক ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল ওফ পোল্যুসন) এক্ট, ১৯৭৪গী সেক্সন ৪গী মখাদা জুলাই ৩০, ২০২১দা বোর্দ অসিগী চেয়রমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি। মরম অসিনা বোর্দ অসিগী চেয়রমেন অমনা ফম অসি পুদুনা থবক তৌগদবনি হায়বা চহী অহুম অদুগী মতম শুদ্রি হায়বসিনি। মসিগীদমক এদিসনেল সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ) না এম এল এ ডা. উসম দেবেনবু থা অসিগী ১৪দা বোর্দ অসিগী চেয়রমেন ওইনা খল্লে হায়দুনা থোকখিবা ওর্দর অদু সস্পেন্দ নৎত্রগা ষ্টে তৌবীয়ু হায়রকখিবনি।

লোয়ননা বোর্দ অসিগী চেয়রমেন ওইবগী মতম লৈরি হায়রিবা পিটিস্নরনা এপ্রিল ১২, ২০২২দা লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অদু খন্নহনবীদুনা দিস্পোজ তৌহনবীয়ু হায়বসিনি।

পিটিস্নর এল রাধাকিশোরগী সিভিল রিট পিটিসন অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ) না ওফিসল রেসপোন্দেন্ট ওইরগা বোর্দ অসিগী চেয়রমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা এম এল এ ডা. উসম দেবেন (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়ু পুকচাও, কৈরক কাংজেবুং মমাঙদা লৈববুনা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্ট ওইনা মমিং পল্লক্লিবনি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থা অসিগী ১৯দা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অসি কোর্টনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৫৬২ ওফ ২০২২ ওইনা রেজিষ্টর তৌরগা ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৩দা হাপ্তুনা লৌখৎখ্রে।

কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জে াতেন্দ্রোনা লেপ্পগা কাউন্সেল সয়েদ মুর্টাজা অহম্মদনা এসিষ্ট তৌখি। কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ৱাই অসাংগী মহুৎ শিন্দুনা চঙলকখিবা এদিসনেল গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ সুকুমারনা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ) দা কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিস লৌখি। লোয়ননা এদিসনেল গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিগা মরী লৈননা কাউন্টর এফিদেভিট পীশিল্লক্নবগী মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি।

কোর্টনা ইস্যু তৌবা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১গী নোটিস অদু গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ৱাই অসাংনসু অমুক হন্না লৌখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং পাঙথোক্কদবা নুমিৎতা কাউন্টর এফিদেভিট ফাইল তৌরক্নবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর এল রাধাকিশোরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী অর্গ্যুমেন্টশিং খন্নরদুনা কোর্টনা মেট্টর অসি এদমিট তৌখিবগা লোয়ননা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী অনীশুবা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ ডা. উসম দেবেনদা মথং থাগী ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস পীননবা খঙহনখি। লোয়ননা পিটিস্নরগী পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা ইন্টরিম ওর্দর ওইনা থা অসিগী ১৪দা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ) না এম এল এ ডা. উসম দেবেনবু মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চেয়রমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবগী ওর্দর অদু কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ফাওবা মরক্কী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে হায়খি। লোয়ননা মেট্টর অসি মথং থাগী ১১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী লৌ পরি লিশীং ১৭ লোম লৈক্রক চৎলে...

*লামায় ১গী মখা...* খক্তা নত্তনা লম্বীনচিংবা ফাওবা ঈশিং থুমজিনখি অদুবু লৌমীশিংনা মহৌশাগুম্না লৌ পান্নবগীদমক মমাঙ থাদগী হৌরদুনা ষণপোৎ খোইরগা উকাই তক্লবা মতুংদা ফৌ পাম্ফেল হুন্নবশিং য়াওনা লৌ লিংবা হৌনরকখিবনি অদুবু লৌ পানবা লোইশিল্লক্লবা মতুংদদি চুম্নতগী ঈশিং লিকপগী ৱাফম নত্তনা লৌবুক অয়াম্বা লৈক্রক চৎলকপনি হায়রি।

লৌবুক লৈক্রক চৎপগী খুদোংথীবা মায়োক্নরিবা লৌফমশিংনা থৌদিঙম লৌকোন, তখেল, তাবুংখোক, শবুংখোক, পখারিবী, চীংনুংকোক, লল্লাই শাবল, লল্লাই লৌকোন, য়ারল পাৎ, শৈজাং অমদি কৈবি/লৌশাংখোংনচিংবদা লৈবশিংনি।

পাম্ফেল হুনবা নৎত্রগা লৌ লিংবা ওইরবসু মফমশিং অসিগী লৌকোন্দা লৈবা লৌবুকশিং লৌ পানবা মতমদদি ঈশিং মরাং কায়না লৈরমখি। অদুবু নোং চুবা লেপখিবগী মতুংদা নুংশা কন্না শাগৎলকপদগী লৌবুকশিং অসি লৈক্রক চৎলকপনি হায়রি।

নোং চুরকপা/চুরক্তবনা য়াম্লবা লৌফমশিং অসিগী লৌমীশিংগী লাইবক লেপ্পা হায়বদুনা নাকল অমদা থল্লগা হৌজিক লৈক্রক চৎলিবা লৌবুকশিং অসিগী লৌমীশিংগী অপাম্বদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা লৌবুকশিং অসিদা ঈশিং ফংহনবনি। নোং চুরক্তুবসু মতেং খরদং ওইনগদবা ইরিগেসন সিষ্টমসু ফেল ওইরে হায়রি।

নোং য়াম্না চুরগনা লৌবুক্তা ঈচাও থোকপা অদুগা নোং চুবা লেপখিদুনা নুংশা শাগৎলক্লগনা লৌবুক্তা লৈক্রক চৎপগী থৌদোক অসিদি লৌমীশিংগীদা নত্তনা মীয়ামগী লাইবক থীবনি হায়রি।

মরম অসিনা লৌমীশিংগী লৌবুক্লা মরী লৈনরিবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা এগ্রিকলচর, কাদা অমদি মাইনর ইরিগেসননচিংবা লোয়শঙশিংনা ঈথৈ লৌখোং নিংথিনা শেন্বীদুনা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা অদুগা মথৌ তারকপদা শীজিন্নবা য়ানবা হোৎনবগী থবক য়াম্না মরু ওইরক্লে হায়রি।

মমাঙ চহীদসু লৌ পাল্লবা মতুংদা ঈশিং ৱাৎপদগী লৌশিং শিখি হায়রদুনা হন্দক চহীগীসু লৌ পাল্লবা মতুং হার ফাওবা চাইরগা ঈশিং লৈতদুনা লৈক্রক চৎপা হৌরক্লে হায়রি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামগীদি মখোয়গী লৈঙাক্লা লৌমীশিংগীদমক মেজর অমদি মেদিয়মগী থাক্তা ইরিগেসন প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা লৌমীশিংদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। অসামগী মতাইদা লৈরিবা কছারগী জারিবোন অমদি লখিপুরনচিংবা মফমদা ফাওবা ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট/স্কিম কয়া পায়খৎলিবা অসিগুম্না মণিপুরদসু লৌমীশিংগীদমক য়েংলদুনা লৈঙাক্লা লৌবুক্তা ঈশিং ৱাৎহন্দনবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎহন্নীংই হায়না ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ইম্ফাল উখুল লম্বী পরিংগী য়াইঙংপোকপীদগীনা লল্লাই ফাওবগী কিলোমিটর ১০ রোম কোনশিন্দুনা চেল্লিবা লৈমখোং তুরেল, নাইবি তুরেলনচিংবা অসি মরী লৈনবা সেন্টরগী মিনিষ্ট্রি/দিপার্টমেন্টতগী মথৌ তাবা ফন্দশিং লৌরগা ইন্টিগ্রেটেদ ইরিগেসন দিভেলপমেন্ট স্কিমশিং পায়খৎপীদুনা তুরেল খোংনুং চাওথোকহনবা/লুথহনবগী থবক পাঙথোক্তুনা ৱাটর মেনেজমেন্ট সিষ্টম পায়খৎহৌদ্রগদি চহী খুদিংগী মণিপুরগী লৌমীশিং লৌউ পান্থাদা ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্নখিগনি হায়রি।

নোঙাদা থোংখোংদা লৈবা ঙাঙোম বিরা কৌবা লৌমী অমনসু পাউচে অসিদা হায়, লৌমীশিংনা ৱানা হোৎনদুনা লৌ পাল্লবা মতুংদা লৌবুকশিং লৈক্রক চৎলক্তুনা মাঙবগী ফীভমদা লৈরিবা অসিদগী কলহৌনবা লৈঙাক্লা ঈথৈ লৌখোংশিং ফজনা শেন্বীয়ু। দোলাইথাবী অমদি থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী ইরিগেসনগী ঈশিংসু য়ৌরক্তবনা চাদোংগী অনেম্বা চীংগী শরুক্তা হুৎলগা মপিথেল দামদগী পাইপ লাইনদা ইরিগেসন প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপীরবদি মায়কৈ অসোমগী লৌবুকশিং ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরক্লোই হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০১০দগীনা চৎলিবা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা থা ১২গী মনুংদা লৌ পানবা থা ওইরিবা জুনদা হৌখিবা কুমজা ২০২১দা ইম্ফালগী ওইনা নোং চুবগী চাং এম এম ২২৮.৫ য়ৌখি। অদুবু চৎলিবা চহী ২০২২গী ওইনদি মসিদগী হেন্না নোং চুখিদুনা এম এম ২৮৬.২ য়ৌনা নোং চুখি। অদুবু চুখ্রিবা নোংগী ঈশিংনা লৌ পানবা য়ারগনি হায়দুনা লৌমীশিংনা লৌ পান্নরক্লবা মতুংদদি চৎলিবা থা অসিগী ওইনা ২০ ফাওবদা শুপ্পনতগী নোংজুগী চাং এম এম ৩৯.১ খক্তমক ওইরি। অদুবু মমাঙ চহী ২০২১গী জুলাই থাদদি এম এম ২২০.১ য়ৌনা নোং চুখি হায়রি।

মরম অসিনা জুন থাদা মমাঙ চহীদগী হন্দক্কী চহীনা নোং চুবগী চাং হেনখ্রবসু লৌ পাল্লবা মতুং হার ফাওবা চাইরগা ফৌ পাম্বীশিং শাহৌ ফনা হৌগৎলক্কদবা মতম ওইরিবা জুলাই থাসিদদি মমাঙগী চহীদা এম এম ২২০.১ য়ৌনা নোং চুখ্রবসু থা অসিগী ২০ ফাওবগী রেকোর্দতা শুপ্পনতগী এম এম ৩৯.১ খক্তমক নোং চুরি হায়রি।

## ইম্ফাল ফাইনান্স কোওপরেটিভ থ্রিফ্ট এন্দ...

*লামায় ১গী মখা...*

থৌরমগা মরী লৈননা সোসাইটি অসিগী থাগী তোলোপ হেনগৎপগী চেরোল পীখ্রবা ষ্টাফশিংগী মনুংদা এল প্রেমচন্দ্র, মেনেজর (পাওনা বজার ব্রাঞ্চ), ও বিদেশ্বরি, রিসেপ্টসন এদমিনিষ্ট্রেসন (বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চ), ৱাই রোমিতা, কেসিয়র (বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চ), হেদ ওফিস লোক্লাওবুংগী ইন্সপেক্টর ঐচ দয়ানন্দ, অঙোম ওপেন্দ্রো ওফিস এসিষ্টেন্ট (এদমিনিষ্ট্রেসন ব্রাঞ্চ), কে পরিনিতা, রিসেপ্টসনিষ্ট (এদমিনিষ্ট্রেসন ব্রাঞ্চ), এস ঐচ নন্দকিশ্বর ইন্সপেক্টর (বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চ), দল্লিয়ু জুনিতা কেসিয়র (এদমিনিষ্ট্রেসন ব্রাঞ্চ) অমসুং ব্রাঞ্চ অসিগী কে নন্দকিশোরদা মেমেন্টো পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

থৌরম অসিদা সোসাইটিগী মেনেজিং দিরেক্টর ৱাইরোকপম গুনেশ্বরনা থৌরম মপু ওইরগা থবক্তগী পোত্থারবা সিনিয়র গ্রেদ লেকচরর ওইরম্বদা নত্তনা মোদর্ন কোলেজ, ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্সকী হেদনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

## এসেমব্লিদা মণিপুর হিল এরিয়াজ ওটোনোমস...

*লামায় ১গী মখা...* মরম ওইরদুনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মরক্তা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমগা অমগা মান্নদনা লৈরক্লি হায়খি।

ফীভম অসিদগী মমাঙথক্তা চত্থিবা এমেন্দমেন্টকী থবকশিং অদুনা কান্নবা অমত্তা ফংহন্দ্রি হায়খি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী পেরেগ্রাফ ৪ (৩), পেরেগ্রাফ ৭ অমসুং রুল ১২ এ (থর্দ সেদ্যুল্ড), ১৯৭২গী মতুংইন্না মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১না কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ৩৭১ সীনা পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংদা অহেনবা ওটোনোমি পীগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। ৱাফম অসি ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১৩শুবা ওগষ্ট ১৬, ২০২১দা হাওসতা টেবল তৌখিবা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী ওর্দর, ১৯৭২নসু পীদুনা লৈরবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট লৈঙাক্লা বিল অসি এসেমব্লি মীফমদা পুথোক্তদুনা লাকপনি হায়খি। মসিগী মতাংদা অটসুম, অন্সম অমসুং কে এস ও-জি ঐচ ক্যুগা মণিপুর লৈঙাক্কুগী মরক্তা নবেম্বর ২৫, ২০২১দা বিল অসি হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌরকপগী মতুংইন্না হাওসতা পুথোক্লগনি হায়বগী য়ান্নবা খূৎয়েক পীনখিবনি হায়রি।

লোয়ননা বিল অসিমক মমাঙগী কুমজা ২০২১গী নীংথম মীফমদা পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা থমখিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক থা ৮ চোন্থরক্লবা ফাওবদা হাওসতা পুথোরক্তবগা লোয়ননা অনৌবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মার্চতা ফমখিবা মীফমদসু পুথোকখিদে হায়রি।

মরম অসিনা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ তরুক ওইরিবা তাঙ্খুল কতমনাও শকলোং, জোইন্ট ষ্টুদেন্টস বোদি, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ), কে এস ও, সদর হিলস, জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মণিপুর), নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (চান্দেল) গী মায়কৈদগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌখ্রবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল বিল, ২০২১ অসি থা অসিগী ২৫দগী ফম্বা হৌগদৌরিবা এসেমব্লিগী মীফমদা পুথোকপীয়ু অমসুং য়েৎনবা য়াওদনা এক্ট ওন্নবগীদমক পাস তৌবীয়ু হায়খি।

## এসেমব্লিদা মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন

*লামায় ১গী মখা...* এন আর সী অপদেট তৌনবা শেম শাবগী অমদি দেমোগ্রাফিগা মরী লৈনবা ইস্যু কয়াদা অচুম্বা ইনফোর্মেসন কয়া খোমজিন্দুনা ষ্টেট লৈঙাক্তা য়াম্না পুকচেল শেংনা, মতম চানা মতিক ময়াই লৈবা রিকমেন্দেসনশিং তৌহন্নবা, মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন অমা অথুবা মতমদা লিংদুনা থবক পাঙথোকহনবীয়ু হায়বসিসু মেমোরেন্দমশিং অদুদা পনখিবা ৱাফমনি হায়রি।

মণিপুরদা ষ্টেট লৈঙাক্লা শকখঙদবা খুল কয়া অমা চেঙ্গুম শৌবগুম শৌগৎলক্লি। মরম অসিনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা অনৌবা খুল কয়া অমা থোরক্লিবা অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা থিংবগা লোয়ননা শকখঙদ্রিবা খুলশিং অসি শকখঙবা য়ারোই হায়বসিসু মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা ৱাফম অমনি হায়রি।

দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্সনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী ইন্দিজিনস পিপলশিংগী সোসিও-পোলিটিকেল, ইকোনোমিক অমদি কলচরেলগী ওইবা লম্ কয়াদা অকায়বা পীরে। য়েলহৌমীশিংগী শক্তম ঙাকপা অমদি মখা তানা লমদমসিগী মপু ওইনা হিংবদা অপনবা কয়া অমা মীতোপশিং অসিনা পীরে। মরম অদুনা কোকোমি অমদি য়ু এন সীনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী মহুৎ শিঞ্জরগা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লগা মরমদা হলহনখিনবা, মখা তানা মণিপুরদা চঙলকপা থিংনবা, মণিপুরদা ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংবগা লোয়ননা এন আর সী অপদেট তৌনবা চীফ মিনিষ্টর, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্ট্রগী মফমদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী মখা তাবা থবক্তা ওন্থোরকপগী পাউ কোকোমি অমদি য়ু এন সীদা পীরকপা লৈতবনা থা অসিগী ২৫দগী ফম্বা হৌগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা হাওসকী মেম্বরশিংনা মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন অমা লিংনবা অথুবা মতমদা শোয়দনা থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়রি।

মণিপুরদা কট ওফ বেজ য়র অমা শেমদুনা, এন আর সী অপদেট তৌদুনা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লগা মখা তাবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎননবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা ৱারেপ অমা লৌবীরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থাবীয়ু। মখা তানা মরম চাদনা খুল কয়া পংলিংদা লিংখৎলকপা থিংনবা ষ্টেটকী ওইবা অকনবা/অচেৎপা লো অমা থম্নবসু খন্নবীয়ু। ৱাফমশিং অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিংনা কূপ্পা খন্নরগা পোজিটিভ ওইবা ৱারেপ লৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা আপীল তৌরক্লি।